# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-15

**(Temperature Measurements and Proxies)**

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) তোমাল - লৌমী, (২) মঙাল, ব্লোক ডিভলপমেন্ট ওফিসার (বি.দি.ও.) (৩) লৈশেম্বা-ইন্টোমোলোজিষ্ট

নুপীঃ- (১) লৈমতোন - তোমালগী নুপী
(২) লেম্বী - তোমালগী মচানুপী (লৈশাবী)

(মতম:- অয়ুক অঙনবা, মফম:- খুঙ্গং, তোমালগী য়ুম, উচেক ৰায়াগী খোঞ্জেল)

লৈমতোন :- মোয়পাবা কৈদৌরে অয়ুক অঙনবসিদা মাঙ্গোল উখোকতেন্দুদা ঙাদুনা তুমীন ফমদুনা লৈরদি, লৌবুক্তা অমতা চৎলরোইদবরা?

তোমাল :- লৈমতোন ! ঐ মথা য়াম্না শারে তৌফম খঙদরে, করি উপাই তৌগদবনো খঙদরে।

লৈমতোন :- (পাখৎনা) করি তৌরগে মোয়পাবা, কনানা করি হায়রকঅগে, ঐবু মেন মান অমতা তাদরে, কৈদৌরগে হায়বনে।

তোমাল :- মমাং চহিসু লৌদা তিল তাদুনা ফৌথোক ফজনা থোকখিদরে, হন্দক চহিসিদসু তিল তাবগী চাং খঙহেন হেনগৎলে, ফৌনা পুম্নমক তীলনা লোয়না চাথোকহৌরে, ফৌথোক য়াম্না হন্থরনি, করি উপাই তৌগদবনো খঙদরে, মীগী শেন্দোলনসু খ্বাঙ কোইরে, হন্দক চহিসিদি ফৌথোক খরা লৈগদরা খল্লম্বনি অদুবু ...।

লৈমতোন :- ইস! করম তৌনি অদুদি মমাং চহিসু মীগী পীগদবা ফৌসু শুনা পীহৌদে, হন্দক অমুক শুনা পীদ্রবদি ৰাথোক্লবা তারে, মীগী ফৌদমশেন লৌশিল্লুবশিং লোয়না হন্দোরক্লো শোয়দনা হায়রকঅনি, কমাই তৌনি তৌরিসিদি।

লেম্বী :- ইমা... পাবা কৈদৌরে মাঙ্গোলসিদা ঙন্তানা শুকথনদুনা লৈরম্মীসিবো?

লৈমতোন :- কৈসু তৌদেদা, নপাগা সুম ৰা অমা খন্নরম্বনি, নঙবু ঈশিংবু শোকউরবরো।

লেম্বী :- ঙসাইনা শোকউরে ঈশিংদি, মমাং পুখ্রি অচৌবসু ঈশিং কংদৌরে অদুনা ময়াম শোক্লবা থোক্লরক্ত্রিঙৈদা শোকহৌদ্রবদি, অরুবা ঈশিং ফংহৌররোই হায়দুনা ...। ইমা হন্দক চহিসে নোংসু ফজনা তাদে, শাবগী চাংসু মমাং চহিশিংদগী য়াম্না হেল্লেকো।

লৈমতোন :- উম হেল্লে, ঈশিং ৱাৎলবনিনা লৌসু ফজনা হৌবা ঙমদরে, ইকং থোক্কুনা চারা হেনবরা খঙদরে।

লেম্বী :- পাবা কৈদৌরে, ৱাগা অমতা ঙাঙদনা অদুম তুমীন লৈরিদুবো, কৈদৌরগে হায়বা।

তোমাল :- হন্দক্কী চহিসিসু ফৌ ফজনা থোক্রবদি মীগী শেন্দোল ময়ামসে করম্না শীংগনি খল্লুবদা, ইপা গ্যান পুন্মাং মাংঙী।

লেম্বী :- থোকঅবা অমা লাকচনি, পাবানা পংখন্দা খঞ্জল্লি, কৈসু ৱারুনু, অদুগনে পাবা, ইপন চাওবগী লৌফমদো তীল লোয়না তারে অদুনা ফৌ পান্বীশিংদো অয়াম্বা শিরে হায়দুনা ইপনদো মতোমতা মুরুম-মুরুম শোন্দুনা মাগী লৌফম মনাক্তা হঙ্গৎ-হন্দা চৎতুনা লৈহৌই।

তোমাল :- নপল চাওবগীদা নত্তে ঐখোয়গী লৌফমসু তীল তাদুনা ফৌ পান্বী পুন্নমক মাংহনবা হৌরক্লবনি, অদুগীনিনে ইপানা মথা শারিসে।

লেম্বী :- ঐখোয়বু তীল হীদাকসু ফজনা কাপথোকখিদাইনে।

তোমাল :- কাপথোকই অদুবু করিসু কান্নদে, তীল তাবগী চাংদি অসুম অসুম হেনগৎলক্লি।

লৈমতোন :- হন্দক্কী চহিসিদা তিল তাবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকইসিবু করিগীনো মোয়পাবা?

তোমাল :- মরমদুবু খঙলদি করিগী ৱাজরুনি, অখঙ-অহৈ কনা তান্নগদবনো খঙদ্রে, তিল হিদাক অমুক কাপথোকসি হায়রসু লৈননবা পৈশাসু লৈতরে।

লেম্বী :- পাবা ! তিল হিদাক কাপথোকখিবসু পংকুই কুইখিদ্রি, ঐখোয়না অমুক তিল হিদাক কাপথোক্লসু কান্নদৌ মান্দে, তিলশিংসে ঐখোয়না কাপথোক্লিবা হিদাকসিনা শিবা ঙমদ্রবমাল্লে।

লৈমতোন :- হোয়নে করম্বা তিলনো খঙদেনে, তিলহিদাক ফাওবা কান্নদবা তিলশিংসিবো, ওম্থোক্না কনখ্রবা হায়দু ওইরে।

তোমাল :- ঐ সুমাইসুম লৈথোকপনদি কান্নররোই, করিনো উপাই অমদি থিদবা য়াদে নত্রবদি ঐখোয় হন্দক্তি চারা শোয়দনা হেল্লনি, ইচানুপী অমখক পোকচবী অসিসু লাইরিক মখা তমথহনবা ঙল্লোইদৌরি, তোল্লিদকো লৌমীগী পুন্সিসে।

লেম্বী :- পাবা ! ঐখোয় খুনসিগী ব্লোক ডিভলপমেন্ট ওফিসার (বি. ডি. ও.) ওইরিবা সার মঙালগা অমুক্তং উন্নরগা মঙোন্দা করি তৌরগা, করম তৌরগা মহৈ-মরোংশিংসে কনবা ঙমগদগে হায়বদু অমুক্তং তান্নদুনা য়েংশিরা।

লৈমতোন :- হোয়নে মদুমনা অমুক্তং তৌদুনা য়েংশি, মতেং খরদংদা ওইরসু পাংবিনবা হায়জশি।

তোমাল :- মদুনা ফগদবা মাল্লে, ইপা হৌজিকমক হেক্তা চৎলগে (চৎকে তৌবা)।

লেন্বী :- ঙাইখোও পাবা, হোরেল ওফিস মতমদা ওইনা মাগী ওফিসতা ওইনা চৎশি, ঐসু লাক্কে।

তোমাল :- মদুনা ফরদরা, ইপা-ইচা হেক্তা চৎমিন্নরুরসি।

-ম্যুজিক-

(মফম:- বি.ডি.ও. ওফিস, মতম: অয়ুক পুং তরামথোইমুক তারকপা মতম, মী চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মওং)

লেন্বী :- পাবা ! আদা চৎখ্রিবসিবু ইপল চাওবা নত্রনে, ইপলহোয়সু সার মঙাল উনবা লাকঅন্মী মাল্লে।

তোমাল :- হোয়নে মানিনে, খুনসিগী লৌফম অয়াম্বা তীল লোয়না তারবনিনা লৌমী পুম্নমক মীপাইনরবনি অদুনা করি তৌসিগে তান্নবা লাকঅন্বা ওইরমগনি।

লেন্বী :- সারগী কা য়ৌরে ... সার অমুক্তা চংজরক্কে।

মঙাল :- এ ! লেন্বী কৈদৌরে, করি তৌবা য়াওরে, লাও চংঙকও, আ ... খুরাসু য়াওবিরকই।

তোমাল :- অহোয় সার, সারগা ৱাফম অমতা তান্নজগে হায়দুনা লাকচবনি।

মঙাল :- করি ৱাফমনো হেক্তা তাকপীয়ু খুরা, করি তান্নসি হায়বনো?

তোমাল :- ঐখোয়গী লৌফমদু হন্দক্তি তিল য়াম্না তারে, ফৌ পাম্বী অয়াম্বা তীলনা লোয়না চাথোক্লে, করি উপাই তৌসিগে তান্নজগে লাকচবনি ইবুংঙো।

মঙাল :- খুন অসিগী লৌফম অয়াম্বা তীল তারে হায়বসি ঐসু তারে খুরা, ঐসু করি উপাই তৌসিগে খল্লন্লিবনি।

লেন্বী :- হন্দক্কী চহিসিদা তীল তাবগী চাং খঙহেন হেনগৎলক্লিবসিগী মরমসি করিননো সার?

মঙাল :- লেন্বী ! শাবগী চাং হন্দক খঙহেন হেনগৎলকপসিনা মরম অমসু ওইগনি খল্লি অদুবু ঐসু হীরম অসিদা এক্সপার্টমক্তি নৎতবনিনা চপ চানা হায়বদি ঙমদে।

তোমাল :- ইবুংঙোগীদা তীল হীদাক লৈরবদি খরগা পীবিয়ু, হান্না কাপখিবা অদুনদি করিমতা কান্নবা ঙমদরে।

মঙাল :- খুরা ! তীল হীদাক পংকাপ্তা কাপ্পসু য়াবা নত্তে, তীল হীদাক কাপ্পগী মফম, মতম, নীয়ম লৈরিবনি, অদুগা হৌজিক ঐখোয়গী ওফিসসিদা তীলহিদাক্কী ষ্টৌকসু অমতা লৈতরে, লৈরম্বা পুম্নমক হান্না লোয়না য়েন্থোকখ্রবনি।

তোমাল :- (মথৱাই ৱানা) ইবুংঙো সার অদুদি কমদৌনি, হন্দক চহিসি ফৌ অমতা লোক্ত্রবদি, মীগী শেন্দোল ময়ামসিনা কমদৌবা, চান্নবনা কমদৌবা, খুরা গ্যান তাদরে, উপাই অমতদি ইবুংঙোনা তৌবীয়ু।

লেন্বী :- পাবা সে অমুক্তা ঙাইখো, পাখৎখীনু হায়বা, উপাই অমা শোয়দনা লাকচগনি।

মঙাল :- ঐ ফনবা লোয়না শিঞ্জগে, তীলশিং অসিদগী করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বদু ঐগী মরুপ ইন্টোমোলোজিষ্ট অমা লৈ, মাগা অমুক্তা তান্নজখিগে।

লেন্বী :- সারনা ফনবা পুন্নমক শীনবীয়ু, সারগী মরুপতু ঐখোয়গী খুনসিদা য়ারবদি অমুক্তা কৌবীরকউ অদুগা খুন অসিগী লৌফমশিংসে অমুক্তা য়েংহনবীয়ু।

মঙাল :- ঐ হৌজিকমক লৈশেন্বদা ফোন তৌগে (ফোন কিপেদ নন্বা)... অস ! রিংদি চৎলি ফোনদি পায়খৎলক্তেনে তৌরিসে, মাবু থবক য়াম চীল্লবজাৎলা খঙদ্রেনে।

তোমাল :- ইবুংঙো অমুক্তগা তৌদুনা য়েংবীয়ু, হন্দক্তি পায়রকপসু য়াই।

মঙাল :- (কি পেদ নন্বা) ... (রিং চৎপগী মখোল) হোয় খুরা ঐ ত্রাই তৌজগে।

লৈশেন্বা :- হল্লো... মঙাল কৈদৌরগে ... করি লৈরগে ইথা থাজদনা ফোন তৌরকইসিবো?

মঙাল :- মী মচাদি সাইন্টিষ্ট ওইখ্রবনিনা ফোনগসে অমুক তৌবদা পায়খৎপিরক্তেনে, থবক য়াম চীল্লবা মাল্লে, ৱা অমা অনিদং হায়জগে তৌবনি য়াবীগদরো।

লৈশেন্বা :- হেরা ভাই অমুক কোথদ্রসু নঙনা হায়নিংলিবদো কোক হেক হায়রকও, মরম লৈতনদি নঙ ঐঙোন্দা ফোন তৌরক্কদবা মী নত্তে।

মঙাল :- নঙগী নতেং দরকার ওইদুনা ফোন তৌরকইবনি।

লৈশেন্বা :- অদুবু করিনো হায়বনে, করি ইতেংনো নঙনা ঐঙোন্দগী পাল্লিবো, ঐনা ঙন্বা ওইরদি পাংগে হায়দুনা রেদিদা লৈরবনি ঐদি (নোকপা)।

মঙাল :- মরুপ নঙসিমা, নঙদি ইন্টোমোলোজিষ্ট অফাওবা অমা ওইরবনিনা ঐখোয় খুনসিসু ইন্টোমোলোজিষ্ট দরকার ওইরকঅবা।

লৈশেন্বা :- নঙগী ৱা কোইথোক কোইথোক্তুনা ঙাংবগী হৈনবীদুমদি সুংথা হেক থাদোক্লমদ্রি, ঐ থবক য়াম চীল্লি, নঙনা হায়গদবদো থুনা হায়রকও, নত্রদি ঐ ফোন থন্মগে।

মঙাল :- এ ... এ ... ঙাইখো ঙাইখো... হায়রগেসে ... ঐনা বি. ডি. ও. ওইনা লৈরিবা খুনসিগী লৌফম অয়াম্বা তীল পাক্তননা তারে অদুনা মহৈ-মরোং পুন্নমক মাংবা তারে, নঙনা উপাই অমতংদি তৌবীদুনা তীলশিংসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ অমতং তৌবীয়ু হায়জরিবা।

| | | |
|---|---|---|
| লৈশেম্বা | :- | অদুগী ওইরে নঙনা ঙসাইদগী কোইথোক কোইথোক্তুনা ঙাং লৈরিদুদি, ঐ নেংমা নিনিসিদা লাক্কে অদুগা লৌফমশিংদুদা তারিবা তীলশিংদু করম্বনো য়েংলগা ঙাকথোক্লুবা তৌসি। |
| মঙাল | :- | থেঙ্ক য়ু লৈশেম্বা, খুনসিগী লৌমী পুম্নমক্না নহাকসু খৌরাংনা ঙাইজরি, মখোয়গী অৱাবসি অমুক্তং কোকপীয়ু। |
| লৈশেম্বা | :- | ওকে... বাই... (ফোন থমখিবা)। |
| তোমাল | :- | (ঙাইঙমদনা হায়বা) ইবুংঙোগী মরুপতু শোয়দনা লাক্কনি হায়রকঅবরা? |
| মঙাল | :- | উম খুরা, মহাক য়াম থুনা লাকঅনি, করিমতা ৱাবীরুরগনু। |
| লেন্বী | :- | অদুদি পাবা ঐখোয়সু অমুক চৎলসি, সার ঐখোয় অমুক চৎচরগে। |
| তোমাল | :- | ইবুংঙোনা ফনবা পুম্নমক শিনবিরো, খুরাহোয় অমুক চৎলেকো। |
| মঙাল | :- | ফনি খুরা য়ৌবিরো, করিমতা পাখৎপিরুরনু। |

-ম্যুজিক-

(মফম : তোমালগী য়ুম, মতম: নুংশা য়াক্লা শাগৎলকপা মতম)

| | | |
|---|---|---|
| লৈমতোন | :- | মোয় মপা মচাদুবু ওফিসার অচৌবা উন্নরুনি হায়দুনা চৎখিবদুবু শুংহন হেক হল্লক্তে, করি তৌদুনা লৈখ্রজাৎনোনে, নুংশানগা মরোল অমা শাগৎলকপনে, চাকসু চাখিদ্রিবনি, হন্দক চহিসিনা খরসু খিৎ হেন্না শাবা মাল্লে মমাং চহিশিংদগী, করি তৌরবনো খঙদে মালেম পৃথিবী অসে, খরা লৈরদি নুংশাগী মৈশানা লোয়না চাকথেক্তুনা মালেম অসি তুমখিবরা খঙপোৎ নত্তে। |
| তোমাল | :- | লৈমতোন ! করি তৌরে অমুক নতোমতা চবেং-চবেং ঙাংদুনা লৈরন্মীদুনা, ঈশিং গ্লাস অমতা হান্না পুথোরকউ, ঈশিং খৌরাংবনা খনাও অসে খ্রক খ্রক কংলে। নুংশা শাবশিনরসু খঙদে কোকসিসু ঙাওরি ঙাওরি তৌবগুমসু তৌই। |
| লেন্বী | :- | ঐ ওইনা পুরকঅগে পাবা, সিদা ঙহাক ফমদুনা পোথাবীরম্মু। |
| লৈমতোন | :- | মোয়পাবা করি করি হায়নবীরকঅগে, ঐখোয়না ৱারিবসিগী উপাই তৌবীগনি হায়রকঅবো, করি হায়রকঅগে হায়বা পাও তানিংবনা লোইরে। |
| তোমাল | :- | ইবুংঙো মঙালগী মমান্নবা সাইন্টিষ্ট অমা ঐখোয়গী তীল তারিবা লৌবুকশিং অসি য়েংশিন্নবা লাকঅগনি হায়, মানা পুম্নমক ফনবা শীনগনি করিমতা পাখৎকনু হায়রকই। |
| লৈমতোন | :- | মহাক্না হায়রিবদুনবু ফবু ফবীরবদি ফৈ, করিগুবা ফৎতবা তারবদি ঐখোয়দি কমদৌবা। |

তোমাল :- য়েংবা তারেদনা, করিদি উপাই লৈরি, ফরেসে থোকঅবা অমা লাকচরনি, চাক লোইরবা নৎতরো নঙবো চাক চাথোক্লবা তৌরসিদনা, মতমসিসু থেংজিল্লক্লে।

লৈমতোন :- চাক্তি ঙসাইনা থোঙদুনা লোইরবনি, মোয় পাবাহোয় হল্লকপা ঙাইরম্লিবনি।

লেম্বী :- পাবা ! ঈশিং হায়দু লৈরে, সে (পীবা)।

তোমাল :- কদাই কদাই পীরকও (ঈশিং থকপা)।

লৈমতোন :- ইবেম্মা, নঙ চাক্তু থীদোক্লম্লো চানবা তৌরসি।

লেম্বী :- হোয় ইমা (চঙকিবা)।

তোমাল :- হোরেল নুমিদাংৱাইরম নুংশা খরা নেমথরক্লগা ফৌনাশিংদা নপ নপ্পুনা লৈরিবা তীলশিংদু অঙত্না মখৈ ফাদোকউবা তারে, অদু ওইরবদি তিল মশিং খরদি হন্থগনিদনা।

লৈমতোন :- মদুনবু ফগদবা মাল্লে, ঐসু হোরেল লৌবুক চৎপদো য়াওগে।

তোমাল :- হোয়নে ঐখোয় পুল্লপ হেক্তা চৎলসি, ইচানুপীসু পুরসি, অদু ওইরদি তীল ফনয়াম্না ফাদোকপা ঙল্লনি।

-ম্যুজিক-

(মফম: মঙালগী ক্বাটর, মতম:- নুমিদাংৱাইরম, লাপ্পা যনশিংনা খোংবগী মখোল তাবা)

মঙাল :- লৈশেম্বদুবু হৌজিক ফাওবা য়ৌরক্ত্রিবসিবু কৈদৌরজাৎনো, থবক শংদেগা হায়দুনা অমুক লাক্ত্রবদি খুঞ্জাশিংনা ঐঙোন্দা থল্লিবা থাজবা পুম্নমক লোয়না মাঙখ্রগনি, ইস! মা লাকত্রদি কমদৌবা, ফোন অমুক্তগা তৌরগা হংখিগে... (ফোন তৌবগী মওং)।

লৈশেম্বা :- হল্লো মঙাল ! কৈদৌরগে ফোন অমুক তৌরকইসিবো, করি লৈরগে।

মঙাল :- কৈনো নঙবু হৌজিক ফাওবা লাক্ত্রিবরো, কদাইদনো নঙনা হৌজিক লৈরিসিবো?

লৈশেম্বা :- ঐগী থবক মফমদা লৈয়ে, কৈনো লাক্ত্রিবরো হায়বো, কদাইদনো ঐনা লাক্তোইবো?

মঙাল :- (পাখৎনা) কৈনো লৈশেম্বা অদুক লুনা হায়নখ্রগা, ঐনা লৈরিবা খুনসিদা খরা লাকপীয়ু হায়দুনা।

লৈশেম্বা :- (নকশিল্লকপা) ঐ লাকপা ঙল্লরোই, নোং নিনি লৈরগা লাকপা ঙম্বরা য়েংগে (নোকপা কন্না)।

মঙাল :- (শাওবা) লৈশেন্বা নঙসিদি, ঐবু ওন্থোক্লা পাখৎহল্লি, সুমাইনা লক্লুবা হৌনবরো, নঙগী মী পাখৎহনবগী হৈনবীদু সুংথা থাদোক্লমদ্রিনে, মীয়াম্না শকখঙনরবা সাইন্টিষ্ট ওইরসিফাওবদা।

লৈশেন্বা :- সিসু পুন্সিগী মথেল অমনি কৈনো, ফাগী জুগাই খরা তৌ, খরা লাং, খরা নোক, খরা লক্লা ঙহাকসু নুংঙাইথোকপা য়াইনা, মতম খুদিং উংদুনতা লৈয়ু হায়রিরো ঐবু।

মঙাল :- হায়দে হায়দে, ঐ করিমতা হায়জদেকো, লাঙবা, নোকপা, হরাওবা পুম্নমক লোয়না য়াই, অদো চা অমতং হান্না থক্লগা লৌবুকশিংগী ফীভম অমুক্তা য়েংলুশিরা ?

লৈশেন্বা :- চাদুবুদি থকশি য়াইনা।

মঙাল :- অদুদি ৰারী শানা শানা ঐ চা লোল্লক্কে।

লৈশেন্বা :- অতৈ লাইরি, নঙনা তৌরিসি কৈনো?

মঙাল :- ঐনা করি তৌরগে?

লৈশেন্বা :- য়ুমদকা অমতা হল্লক্তবমখৈ মফমসিদা অদুমক লৈথোক্লিবসিনা করিগীনো, ইমানা শাওহৌবনা লোইরবনি নঙ।

মঙাল :- ঐনা খুনসি খরদং শেমগৎ-শাগৎপা ঙম্বরা য়েংগে হায়দুনা খুনসিদা লৈদুনা হোৎনরিবনি, য়ুমদগী চৎথোক-চৎশিন তৌদুনা লৈরবদি ঐনা পাংথোক্কে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা পাংথোকপা ঙমগদবা মান্দে। মসি ৰাসি তোক্লসিসে, হন্দক চহিসিদা লৌবুকশিংদা তিল তাবা খঙহেন হেল্লক্লিবসিগী মরমদা হান্না অমুক্তা খন্নখিসি।

লৈশেন্বা :- নোয়গী খুনসিখক্তদা নৎতে, মনা-মশিং, মহৈ-মরোংশিংদা তিল তাবগী চাং হন্দক খঙহেন হেনগৎলক্লিবসি, অতোপ্পা খুনশিংদসু চপ মান্নবা কেস ময়াম অমা ঐ থেংনরে, মফম অয়াম্বা লোয়না সর্ভে তৌরবনি, ঙসাই নঙগী ক্বাটরশিদা লাকত্রিঙৈদা ঐদি নখোয় স্বাইগী লৌবুক অয়াম্বসু লোয়না য়েংলক্লুবনি।

মঙাল :- এ ! নঙদি ঐ খঙহন্দনা থবক য়াম্না য়াংশিল্লম্লিবোরে, শোমদনা ঐনা নঙ লাক্তরে, খুঞ্জাশিংনা হঙলগা করি খুমগনি খনবদা খনফম খঙদবমখৈ পাখৎতুনা লৈরুরি।

লৈশেন্বা :- ঐনা লাক্কনি হায়খ্রবদি শোয়দনা লাক্কনি হায়বসি নঙ খঙলিবা নত্রা, ঐবু করমকান্দা চীন থীবা য়াওখ্রবগে।

মঙাল :- সে চাশি হান্না অমুক্তা থকখিসি, নঙ চীন থীদেবুদি খঙবা অদু ওইরসু কনানা খঙনি শোয়বা হায়বসিদি তন্বা ঙম্বরনে।

লৈশেম্বা :- (চা থক্লা থক্লা) হৌজিক মালেমসিগী মফম অয়াম্বদা শাবগী চাং হেনগৎলে হায়বসিদি নঙসু য়ানিংবরা?

মঙাল :- মদুদি মীপুম খুদিংনা য়ানরবা ৱাফমনিনা, কার্বোনডাইওক্সাইদকী চাং অসুম অসুম ৱাংখৎলকপদগী শাবগী চাং অসি হেনগৎলক্লিবনি হায়বসিসু খঙনরবা ৱাফমনি, মালেমগী ওইনা কার্বোনডাইওক্সাইদ মোনিটরিং ষ্টেসনশিং অসিবু কদাই কদাইদা লৈগে।

লৈশেম্বা :- মৌনা লো হায়বা হৱাই আইলেন্দদা লৈবা মৈগী চীং অদুদি খঙবরা?

মঙাল :- অদুবুদি খঙঙিনা, মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা ভোলকেনো অমনি।

লৈশেম্বা :- নেসনেল ওসিনিক এন্দ এটমোস্ফেরিক এদমিনিষ্ট্রেসন (এন.ও.এ.এ.) গী মতুংইন্না মালেমগী খ্বাইদগী লীরবা অদুগা হৌজিক হৌজিকসু লেপ্তুনা কার্বোনডাইওক্সাইদ মোনিটরিংগী থবক তৌরিবা ষ্টেসন অসি মৌনা লোদা লৈরিবা মোনিটরিং ষ্টেসন অসিনি, হায়রিবা মোনিটরিং ষ্টেসন অসি ইং ১৯৫৮দগী এটমেস্ফিয়ারদা য়াওবা কার্বোনডাইওক্সাইদকী চাং ওন্দুনা লাক্লি।

মঙাল :- হৌজিক হৌজিক এটমোস্ফিয়ারদা কার্বোনডাইওক্সাইদকী চাং অসিবু কয়াম ৱাংলবগে।

লৈশেম্বা :- মালেমসিদা ইন্দষ্ট্রিয়েল রিভোল্লুসন লাক্ক্রিঙৈগী মমাংদা লৈরম্বা কার্বোনডাইওক্সাইদ কনসেন্ত্রেসনগী চাংদগী হৌজিক চাদা ৪৫রোমগী চাং হেনগৎলে। চহি ১০,০০০ রোমগী মতমদগীনা চহি চা ১৮গী ময়াই ওইরকপা মতমদু ফাওবদদি নুংশিৎতা য়াওবা কার্বোনডাইওক্সাইদকী চাং অসি পি.পি.এম. ২৮০ রোম ওইরম্মী অদুগা ইং ২০১৯গী মে থা অদুৱাইদদি পি.পি.এম. ৪১৫ রোম ওইরে।

মঙাল :- অদুদি হৌজিক কার্বোনডাইওক্সাইদকী চাং অসি য়াম্না ৱাংখৎলেনা।

লৈশেম্বা :- উম ৱাংখৎলে, কার্বোনডাইওক্সাইদকী চাং খঙহেন হেনগৎলকপগী মরমদি ঐখোয় মীওইবনা উমং-ৱামং কয়া কোকথোকপা, নুংঙাইনা হীংনবগীদমক ফোশিল ফ্যুইল কা হেন্না শীজিন্নরকপা মরম ময়ামসিদগী গ্লোবেল ৱামিং থোকহনলেদনা। ঐখোয়গী থবক থৌওংশিংদগী থাদোরক্লিবা কার্বোনডাইওক্সাইদকী চাং অসি চাদা ৩০দগীনা ৪০রোমদি সমুদ্রগী ঈরোলনুংদা চুপশিনখি, অমদি কার্বোনিক এসিদ ফোর্ম তৌদুনা সমুদ্রগী ঈশিংগী পি.ঐইচ. তা অহোংবা, অকায়বা কয়া থোকহল্লক্লি।

মঙাল :- মালেমগী মফম কয়াদা মেটিওরোলোজিকেল সেন্তরশিং থমদুনা মতম মতমগী ৱেদর অমদি ক্লাইমেটকী রেকোর্দশিং চাং নাইনা লৌদুনা গ্লোবেল ক্লাইমেট সিস্টেম অসিগী মরমদা থিজিল্লি, নৈনরী, সেটিল্লাইটশিংগী মতেংদগীসু মালেমগী টেম্পরেচর দাতাশিং রেকোর্দ তৌরি অদো লৈশেন্বা, ঐখোয়না চহি মিলিয়ন কয়াগী মমাঙদা ওইরম্বা ক্লাইমেটিক কন্দিসনশিং, দাতা রেকোর্দতি লৈহৌদ্রবশিং অসিগী অইং-অশাগী চাং অসিদি করম হায়না খঙগদৌরিবনো।

লৈশেন্বা :- চহি মিলিয়ন কয়াগী মমাংগী ৱেদর রেকোর্দশিংদি ঐখোয়না চপ চানা ওন্দুনা লৈহৌদ্রবনিনা প্রোক্সি দাতা, প্রোক্সি টেম্পরেচর মিজরমেন্টগী মতেংনা মমাংঙৈ মতমগী ক্লাইমেটিক কন্দিসনশিং খঙবা ঙমই।

মঙাল :- প্রোক্সি ! প্রোক্সি টেম্পরেচর মিজরমেন্ট, অদুমদি ঐদি তাবু তাদ্রিনে, নঙনা লমসিদদি এক্সপার্টনিনা ঙসিদি নঙোন্দগী খঙহৌবা তারেদনা (নোকপা)।

লৈশেন্বা :- কৈনো নঙনা প্রোক্সি পল্লগা নোকইদুবো।

মঙাল :- সুম কৈনামা নীংশিংঙকইবা।

লৈশেন্বা :- করিনো নীংশিংঙকইবো?

মঙাল :- হুম ! প্রোক্সি পল্লকপদা ইলেক্সনগী মতম নীংশিংঙকপনিদা।

লৈশেন্বা :- ওহ ! ঐদি খনবু খল্লুদে, ঐখোয়না পাখং মচা ফাগৎলকপা মতমদা য়াম্না তোয়না হায়নখিবা ৱাহৈনিকো (নোকপা)।

মঙাল :- মমাংঙৈগী ক্লাইমেটিক কন্দিসনশিং প্রোক্সি দাতাগী মতেংনা করম্না খঙলিবনো হায়বদু খঙনিংবনা লোইরে ঐদি।

লৈশেন্বা :- চহি চা কয়াগী মমাংদগী লৈরম্লবা উনগী শরুকশিং, রোক অমদি ফোশিলশিংগী মতেংনা মতম অদুগী ক্লাইমেটিক কন্দিসন খঙবা ঙমই, মসিবু ঐখোয়না প্রোক্সি মিজরমেন্ট হায়না খঙনৈ। ঐখোয়না পোলর টেম্পরেচর অসি মফম অদুগী আইস কোর হায়বদি উনগী সেম্পল য়েংলগা চহি চা কয়াগী মমাঙদা ওইরম্বা টেম্পরেচরগী চাং খঙবা ঙমই।

মঙাল :- উ পাম্বী অমগী গ্রোথ রিংগী মওং মতৌ য়েংলগা অইং-অশাগী চাং খঙবা ঙমই হায়বসিদি চুম্বরা?

লৈশেন্বা :- উম চুম্মী, উ পাম্বী অমগী গ্রোথ রিং অসি অইং-অশা খেন্নবগী মতুংইন্না চাওবসু খেৎনগনি, মরম অসিনা উ পাম্বীগী ফোশিলশিংদগী মখোয়না হৌরম্বা মতমদুগী অইং-অশাগী চাং লেপ্পা ঙমই, মসিদসু নৎতনা পোল্লন গ্রেন, লৈরিকশিংগী ফোশিলশিংদগীসু ইরায় লায়না অইং-অশাগী চাং লেপ্পা ঙমই, পুম্নমকশিং অসিবুনি ঐখোয়না প্রোক্সি মিজরমেন্ট ওফ টেম্পরেচর হায়রিবসি।

মঙাল :- এ ! পুংসি আ য়ৌশিনখরে, নুমিৎ তাশিনল্লক্কদৌরে, ৰারী নুংঙাইরিঙৈদা তৌগদবা থবক্কা লোয়না কাওথোক্লুরে, লাকও লৈশেন্বা, ইবানি খুরা তোমালহোয়গীদা হান্না অমুক্তা চৎলুখিসি, লাক্তরে হায়দুনা ৰা থোকঅম্মনি।

লৈশেন্বা :- ঐখোয়না উন্নগদৌরিবা লৌমী অসিবু খুরা তোমাল হায়রিবা অসিখক্তরা, অতৈদি কনামতা উন্নরোইদবরা?

মঙাল :- অতৈসু মথং-মথং লোইনা উন্নদুনা ৰারী শান্নগদৌরিবনি অদো হান্না অমুক্তা খুরা তোমালগীদা চৎলুখিসি।

লৈশেন্বা :- কৈনা, খুরা তোমালদা হায়রিসিবো, অতৈগীদা হান্না চৎলুরগা নোয় খুরা তোমালগীদা কোন্না চৎশি।

মঙাল :- য়াদে য়াদে মাগীদা হান্না চৎত্রবদি ৰা থোক্লেদনা।

লৈশেন্বা :- উম ! ৰা অসি কৈনোমা ইতৌ তৌরি, ঙায়খো নোয়গী খুরা তোমালগী মচানুপী লৈশাবী মশক ফজবীগা লৈবরা হায়বা।

মঙাল :- অস নঙসিমা, নঙগী হৌনবীদু অমুক হৌরকঅবরা, মচানুপীবুদি লৈনে অদু কৈদৌরগে?

লৈশেন্বা :- কৈসু তৌদে সুম হংবনিদা।

মঙাল :- মীনা চৎলসি হায়রদি কোক চৎশি লাকও, অমুক ঙাংদুনা লৈদৌ শরুক।

লৈশেন্বা :- হোয় হোয় চৎলসি, লাকতা লাকচরে।

-ম্যুজিক-

(মফম:- তোমালগী য়ুম, মতম: নুমিদাংৰাইরম, নুংশিবা তৌদ্রি মখোল লাপ্পা তাবা)

তোমাল :- ঙসি নত্রনে অখঙ-অহৈশিং পুদুনা লাক্কনি হায়রকপদুবো ইবুংঙো মঙালনা।

লৈমতোন :- উম মানি, হৌজিক ফাওবা লাকত্রিসিনা কৈদৌরবনো খঙদে, মখোয় লাক্কনি হায়বগী আশাদা ঐখোয়না পুক্নিং খরা লৈতানা লৈথোকপা ঙম্লিবনি।

তোমাল :- আদা লাকইসিবু ইবুংঙো মঙালহোয় নত্রনে?

লৈমতোন :- মানি মোয় পাবা, ইবুংঙো মঙাল শোমদা হেক্তা চঙবিরকও... মোরাসিদা ফম্বীয়ু, ইবুংঙো সার অমা য়াওরকইবসি ওইবীরবরা, ইবুংঙোনা পুরক্কনি হায়বা সারদু।

তোমাল :- লেঙসিনবিয়ু সার, সারনা অমুক্তা ঐগী লৌবুক্তা তীল তাদুনা ফৌ পাম্বী পুন্নমক মাঙগদবসিদগী অমুক্তা কনবীয়ু

লেম্বী :- (ইমুংদগী থোরকপা) সারহোয় য়ৌবিরকএ, ঐখোয়দি সারহোয় লাকপিররোইদরা হায়দুনা পাখৎলুরে।

মঙাল :- হৌজিক্তি ঐখোয় লাকঅবনিনা করিসু ৱানিঙাই লৈতরে, ঐগী মরুপ লৈশেম্বনা উপাই অমদি শোয়দনা তৌবিরমগনি খল্লি।

লেম্বী :- অদুদি সার ঐ ময়াম থক্নবা চা অমুক্তা লোনজরুখিগে, ঙহাক ৱারী-ৱাতাই তৌবিরম্মু।

তোমাল :- ইবেম্মা চাদু খরা হাওনা লোল্লকউকো।

লেম্বী :- হোয় পাবা (চঙখিবা)।

লৈমতোন :- ইবুংঙো সার, হন্দক চহিসিদা তীল তাবগী চাং খঙহেন হেনগৎলক্লিবসি করিগীনা?

লৈশেম্বা :- শাবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকপসিনসু মরুওইবা মরম অমনি।

তোমাল :- শাবা হেনগৎলক্লগা তীল তাবা হেনগৎলক্লিবগী মরমদি করিনো সার।

লৈশেম্বা :- শাবা হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা তীলশিংগী মেটাবোলিজম রেট হেনগৎলকই হায়বদি য়াম্না হেন্না চানিংবা ফাওরক্তুনা য়াম্না হেন্না চাশিনবা অমুক য়াম্না থুনা তুমখিবা, থুনা চাওখৎলক্তুনা অমুক থুনা মরুম কোল্লকই অদুদগী মচা অমুক ওল্লক্তুনা য়াম্না থুনা তীলগী মশিং অসি হেনগৎলকই। তীলগী মশিং অসি খঙহেন হেনগৎলকপা হায়বসি ঐখোয়দদি খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়বদি মহে-মরোং, মনা-মশিং পুন্নমক য়াম থুনা মখোয়না লোইনা চাথোক্তুনা মাঙহল্লি।

লৈমতোন :- অদুদি সার ঐখোয়না হৌজিক তৌগদবসি করিনো?

লৈশেম্বা :- ঙসি নোংমা নিনিসিদা হৌজিক লৈরিবা শাবগী চাং অসিদগী চাংচৎতা দিগ্রি অহুমলোমগী চাংদগী হেনগৎলক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ, মরম অসিনা তীল তাবগী চাং অসি ঙসি নোংমা-নিনিসিগী মতুংদগীদি খঙহন হন্থখ্রগনি খল্লি, অদুনা থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈতরে।

তোমাল :- এ ! করিনো তাকপিরিবসিবো সার, ঐদি করিমতা ভাব তাবা ঙমজদরে।

লেম্বী :- সার মঙাল, সার লৈশেম্বা, চা থকসি, পাবা-ইমা চা সিদা থম্মগে।

মঙাল :- লৈশেম্বা ! চাসি হান্না অমুক্তা থকখিসি।

লৈশেম্বা :- (চা থক্না থক্না) সুমদৌবনি খুরা তীলশিংগা য়াম্না হেন্না চান্নবা শাবগী চাং লৈ, মখোয়না হীংবা ঙম্বগী চাং অদুদগী হেন্না অমুক শাগৎলক্লবদি মতোমতা অদুমক মখোয়গী মশিং অসি খঙহন হন্থজখি, হীংনবগীদমক মখোয়না হান্না লৈরম্বা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখি।

লেম্বী :- সার, তীলশিংনা মশা মতোমতা ঐখোয়গী লৌবুকশিং অসি থাদোক্তুনা চৎত্রিঙৈ মতমদদি তিলশিং অসিদগী করম্না ঙাকথোক্কনি।

লৈশেন্বা :- ঐখোয়না পেষ্টিসাইদ, তীলহিদাক শিজিন্নবগী মহুৎতা বাইওলোজিকেল কন্ট্রোল মেথদ, মেকানিকেল মেথদ অমদি কলচরেল মেথদ শিজিন্নবনা য়াম্না হেন্না ফৈ, হায়বদি অকোইবগী ফীভম, ইনভাইরোন্টমেন্ট অমদি ঐখোয়গী হকশেলদসু অকায়বা থোকহন্দে।

মঙাল :- শিদগীদি পেষ্টিসাইদ চাইবগী মহুৎতা বাইওলোজিকেল কন্ট্রোল করম হায়না তৌগনি হায়বদুসু লোয়না তাকপী তম্বীনবগী প্রোগ্রাম পাংথোক্লবা শেম শাদুনা লৈরবনি।

তোমাল :- ঙরাং ইচানুপীনে, মমানে ঐখোয় অহুম পুন্না লৌবুক্তা চৎতুনা তীল ফন য়াম্না ফাদোক্তুনা মাঙহনখরে, মসিসু খরদি কান্নবা মাল্লি্

লৈশেন্বা :- খুরাহোয়না তৌবিরুরিবা অদু য়াম্না ফবা মওংনি, মদুবু ঐখোয়না মেকানিকেল নত্রগা ফিজিকেল মেথদ হায়না খঙনৈ।

মঙাল :- অদুদি খুরা ঐখোয় অমুক চৎচরগে, অতোপ্পা য়ুমশিংদসু মথং-মথং খরা সুম চৎচরুখিগে।

লৈমতোন :- ইবুংঙো সারখোয় লেংবীরক্তুনা ঐখোয়গী পুক্নিং লৌশিং ওইনবা ৱা কয়া তাকপিরন্বা খঙহনবিরন্বগীদমক হন্না হন্না থাগৎচরি।

তোমাল :- নোংমা মতাং চাবা অমদা ইবুংঙো অনিগা পুন্না চাক চারা অমতংদি চামিন্নখিসি।

মঙাল :- হন্দক্কি লৌশি হেক লোকপগা ওইনা চারশি খুরা।

লৈশেন্বা :- খুরা ! মতাংদু য়ৌরক্লবকান্দা কাওথোকখিবদি য়ারোইকো।

লেন্বী :- অদুগীদি সার ঐ লৈজরি করিমতা ৱাবীরুগনু ঐনা ফনবা অদুম শিনজরক্লগে।

-ম্যুজিক-